## পাউজেল পীরি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* ৬৪ শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগা মরি লৈননা মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা হায়, থৌরম অসি চুম্মগী পাঙথোকপদি আর্থ লৈরোই। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা দেমোক্রেসিগী কয়াৎ অদু ঙসিগী মীরোলনা হেন্না চেৎশিনহন্নবা হোৎনবা অসিনা ওইগনি। মাংলমচৎকী লুচিংবা কয়ানা হনবা লৈতনা হোৎনখিবা অমদি অৱা অনা কয়া খাঙখিবশিং অদু ঙসিগী মীরোলনা কৈদৌঙেদসু কাউফম থোক্তে।

## পার্টিশিংগী মীফম কৌখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোলিং ষ্টেসন রেসনেলাইজেসন তৌবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা রিকোগনাইজ নেসনেল অমসুং ষ্টেট পার্টিশিংগী মীফম লাক্লিবা তাং ২৮ দা কৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দিপ্যুটি কম্মিস্নারনা থোকখিবা নোটিস অমনা হায়, মিটিং অসি পোরোম্পাৎতা লৈবা এস আই আর দি কনফরেন্স হোলদা নুমিৎ অদুগী পুং ১১.৩০ তাবদগী হৌগনি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎ অমমম থাবিরক্লবসু হায়রি।

## রানি গাইদিনলিউগী মপোক কুমওন

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* মণিপুর প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটি ( এম পি সি সি)না শীন্দুনা ফ্রিদম ফাইটর রানি গাইদিনলিউ ৯৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং কংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ৬৪ শুবা রি পব্লিক দে থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোক্কনি হায়রি।

থৌরম অদুদা রানি গাইদিনলিউগী ফোটোদা লৈ-শু কত্তুনা ইকায় খুম্নগনি। মদুগী মমাংদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা জাতিগী ফিরাল পাইহনগনি। থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টর, অতৈ কংগ্রেস লুচিংবশিং, মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## মোদেল ক্লব চীংঙামখাগী কুমওন ঙসি পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* মোদেল ক্লব শিংজমৈ চীংঙামখাগী ৬২ শুবা কুমওন থৌরম হয়েং তাং ২৬ নোংমাইজিং নুমিত্তা এল এ সি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

ক্লবকী চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা ক্লব অসিবু লিংখৎলম্বা লাইওইখ্রবা অমদি অহল লমন কয়াবু নিংশিংবগা লোয়ননা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুম্নবসু উৎকনি। থৌরম অসি অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী হৌগনি হায়রি।

## এক্তিভা মাঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* ইম্ফালগী মোইরাংখোম কবুই খুলদা থম্বা এক্তিভা অমা ঙরাং মশক খঙদবা মীওই খরনা হুরান্দুনা পুখ্রে।

এক্তিভা অদুগী মপুনি হায়বা ননাও কবুইনা ফোঙদোরকখিবদি মফম অদুদা গারি মাঙবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা চাউরাক্লা গারি ৩০ রোম মাঙখ্রে। অদুনা মরি লৈনবশিংনা হকথেংননা য়েংশিনবিদুনা গারি হুরানবা মীওই থিগৎপিয়ু অমসুং ফাগৎপিদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়রি।

# হৈঙাং চীংখোঙদা গেঙ রেপ তৌবিখিবা থৌদোক তরাইনা লৌদে– লুপশিং

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈঙাং চীংগী মফম অমদা নুপীমচা অমবু মীওই ৩ না গেঙ রেপ তৌবিখিবা থৌদোক অদু মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

নেসনেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কম্মিটি (নিপকো)গী সেক্রেটরি (আই পি আর) সহাবুদ্দিন চেশাবানা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌখিবা তাং ২২ দা হৈঙাং চীংগী মফম অমদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মচিং খুলদগী রংসর কৌবা মীওই অমগা নুংশিনজবী নুপীমচা অমা ৱারী শান্নরিঙৈদা নুংশিনবা নুপা অদু ফাজিন্দুনা থম্লগা মমাংমক্তুদা অতোপ্পা নুপা অহুম্না নমদুনা গেঙ রেপ তৌখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌদে। থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবশিং মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা অচুম্বা ৱায়েল তৌগদবনি।

থৌদোক অদুদা হকথেংননা চেন্নরিবা লম্লোঙ্গৈদা লৈবা খুরাইজম অবুং (৩৫), হৈঙাং চীংখোঙদগী নোংথোম্বম বোচা (৪০) অমদি খুরাইজম অমদি খম্বা (২০) না নুপী ওইবীগী হকপু খোঙ্গাওনখিবা অদু শা–ঙাদগী হেন্না তমথিরবা মীনুংশি লৈতবগী থৌওংনি। মখোয়গুম্বা মীওইশিং অসি মখা তানা ৱায়েল তৌদনা থাদোকখ্রবদি ঙসিগী খুন্নাইগী ইচে ইচলশিং ইকায় হঙ্গোইনা কিনা থমজরিবা হকচাং কয়াৎশিংবু লৈখা তারকপা নত্তনা অতৈ কান্নবা পুরক্লোই। নুপী খুন্নাইবু মচে মচানি, মমানি খনবা ঙমদবা শারমচৎ চৎপা মখোয় অহুম্বু মীয়াম মাংদা অহকপা চৈরাক পীফম থোকই। ঙসি ফাওবদা থোকখিবা থৌদোক পুম্নমক লৈঙাক্লোইশিংনা তঙাই ফদবা কেস অমা অনি নত্তনা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকখিদ্রি হায়রি।

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মনিপুরগী কনভেনর এলাংবম জোসন্না থাদোরকপা চেরোলনা থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙলদুনা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা অৱৈবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা থেংনবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে হায়রক্লি। শাগী লিচৎ চৎপা মীওই খরনা নুপী ওইবিগী ফজখ্রবা চৎনবী কয়া মাঙহল্লে। অসিগুম্বা অসি অমুক হন্না থোকহল্লোইহিসি হায়রগদি চেন্নরিবশিং অদু জেলদা থম্বা, ময়ুম মকৈ থুগায়বা, লৈকাইদগী তাম্থোকপনদি কান্নরোই। শিবগী চৈরাক নত্তনা অতোপ্পা চৈরাক পীরোইদবনি হায়রি।

পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা ফোঙদোরক্লিবদি নুপীদা চখবা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা লুপ কয়ানা এৱ্যারনেস কেম্পেইন্নচিংবা লেপ্তনা পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক অসিদা অমুক নৌনা নুপীগী ইজৎ মাঙহনবগী থৌদোক থোরক্লিবা অসি য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

সরকার অসিনা শারমচৎ চৎপা মীওইশিং অদু মতম চানা আইনগী ওইবা মতিক চাবা দন্দি পীখিদবা অদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং লেপ্তনা থোক্লক্লিবনি। মরম অদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়রি।

ওল মনিপুর ৱুমেন্স ভলন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা)গী জেনরেল সেক্রেটরি কেএসঐচ সুজতানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, লম্লোঙ্গৈগী কাচিন চীংখোঙদা থোকখিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। নুপীবু শান্নপোৎকুম খনবা মচেনি মচন্নি খনবা ঙমদবা শাগা পাম্মক ওইরবা শারমচৎ চৎপা খুন্নাইগী মহিকশিং অসি সরকার অসিনা মতম চানা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীদবদগী নুপীদা চখবা মীওৎ মীনৈ নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবনি।

ৱাই এস সি ক্লবগী মেম্বর শাদুনা নুংশিনজবা নুপাবু ফাজিন্দুনা থম্লগা নুপী ওইবিগী ইজ্জৎ মাঙহনবিখিবা শাগুম্লবা খুরাইজম অবুং অপোকপী ইবেচা, নোংথোম্বম বোচা অপোকপা বিহারি অমসুং খুরাইজম খম্বা মন্ত্রিপুখ্রি লম্লোঙ্গৈ মখোয় অহুম্বু মরালগী মতুং ইন্না মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা থমগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# জিরিবামদা নেসনেল ভোটরস দে পাঙথোকখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ২৫ঃ* লৈপাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপগুম ঙসি জিরিবাম সব দিভিজনগী হেদ ক্বার্টরদা নেসনেল ভোটরস দে ২০১৪গী থৌরম চিং লেম্না পাঙথোকখ্রে।

এ দি সি জিরিবামনা শীন্দুনা আর সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়া জিরিবামদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এদিস্নেল এস পি জিরিবাম ও মেঙ্গোর সিংহ এম পি এস, আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়া জিরিবামগী প্রিন্সিপাল টিঐচ ইবোমচা সিংহ অদুগা জিরি কলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এন বিজয়া দেবী, জেদ ই ও জিরিবাম টি ঐচ কেতুকি দেবী অমদি এ দি সি জিরিবাম ৱাই ইবোয়াইমনা মথং শিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

জিরিবাম সব দিভিজন্দা লৈবা তোঙান তোঙানবা ওফিসকী ওফিসিয়েলশিং, মহৈরোয় অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার ৱাই ইবোয়াইমা সিংহনা নেসনেল ভোটরস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাফম মীয়ামদা খঙহনখি। মমাংদদি থৌরমসিগা মরী লৈননা ক্লুইজ অমদি এসেনচিংবা পাঙথোক্লম্বনি অদুবু হন্দক্তি ঙমখিদ্রে। মদুগী মরমদি নোটিশ থেংনা পীরকখিবা অমদি লোক সভা ইলেক্সন নকশিল্লকপা অসিদগীনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ইশা ইশাগী ভোট থাদবগী হক খঙনা অমদি অফবা মীরেপ খন্দুনা দিমোক্রেসিগী মহাও অদু ফংনবা হোৎনমিন্নসি। মহৈরোয় অমদি নহা ওইরিবা মীওইশিং দিমোক্রেসিগী মহাও ফংদুনা তুংগী অফবা লৈপাক অমা শেম্বদা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি।

থৌরম অদুগী কেম্পস এম্বেসেদর ওইরিবা এস অনিলকুমার সিংহ জিরি কলেজ অমদি কেঐচ ইন্দিকুমার সিংহ জিরিবাম গভর্নমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা দিমোক্রেসি হায়বসি করিনো, ইলেক্সনগী থৌদাংনা করিনো, ভোটিং রাইট হায়বা অসিনা করিনো, করম্বা মীওইশিংবু ভোটিং রাইট পীবা য়াবগে, দিমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমদা ইলেক্সনগী রোলনা করিনো হায়বনচিংবা কয়াগী মতাংদা মরিক চুম্না নৈনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল সিঐচ থিরেন সিংহসু ৱা ঙাংখি।

থৌরম মপু ওইখিবা এদিস্নেল এস পি মেঙ্গোর সিংহনা থৌরমগা মরী লৈননা মীয়াম্বু ৱাশক লৌহনখি। মহাক্লা হায়, দিমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমদা চহি ১৮ শুরবা মীওইশিংনা ভোট থাদবা য়াবগী রাইট ফংহল্লি। মরম অদুনা লৈপাক অসি হৌজিক্তি অচুম্বা লম্বীরোমদা লাকপা হৌরক্লে। মীয়ামগী মীহুৎ খনবদা অফবা লুচিংবা খনবা মথৌ তারে। মসি ভোটিং রাইট ফংলবা মীওইশিংনা কুপ্না খনবিয়ু অমসুং নৈনবিয়ু।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দি সি চান্দেলগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা ঙসি নেসনেল ভোটরস দেগী থৌরম দিপ্যুটি কম্মিস্নার টিঐচ চিত্তরঞ্জন সিংহ য়াওনা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা থৌরমদুদা য়াওখিবা ওফিসিয়েলশিং পুন্না ৱাশক লৌমিন্নখি হায়রি।

# মন্দলে অমসুং মোনিৱাদা মনিপুরগী নাৎকী পোৎলম কয়া উৎখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* মনিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং ম্যানমারগী মন্দলেদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সুল জেনরেল অমসুং ম্যানমার সরকারগা খুৎশম্নদুনা ম্যানমারগী মন্দলে অমদি মোনিৱাদা মনিপুরগী নাৎকী ওইবা পোৎলম কয়া উৎলুরে।

আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্তর এস ভৈগ্যনা লুচিংবা অপুনবা কলচরেল দেলিগেসন অমা মন্দলে অমসুং মোনিৱাদা চত্তুনা মখল মথেলগী জগোই কয়াসু উৎখি। হৌখিবা তাং ১৭ তা মন্দলে বামোন খুঞ্জাও লৈকাইগী সুন্দর গোপাল শর্ম্মাগী মান্দবতা মহারাস উৎখি। মথংগী নুমিৎ তাং ১৮ দসু মন্দলেগী নেসনেল থিয়েটরদা মখল কয়াগী জগোই উৎখি। মদুদা মন্দলেগী চিফ মিনিষ্টর, ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর গৌতম মুখোপধ্যায় অমসুং মনিপুরগী এম এল এশিং ভিক্তর কৈশিং, ৱাই সুরচন্দ্র, য়ামথোং হাওকিপ এমদি ফাজুর রহিম্নচিংবসু শরুক য়াখি। নুমিৎ অদুমক্তুদা মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম্না শীন্দুনা ধর্ম্মতাল হোলদা মনিপুরগী হেরিটেজগা মরি লৈনবা ফোটো মেলা অমসু মন্দলেদা লৈবা ইন্দিয়াগী কোন্সুল জেনরেল ডা. মদনমোহোন্না হৌদোকখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, তাং ২০ দা সগাইং দিভিজনগী কোনুং মোনিৱাদা অহুম্লক শুবা ওইনা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখি। মদুদা সগাইংগী চিফ মিনিষ্টর, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর, ইন্দিয়াগী এম্বেসেদরনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। ম্যানমারগী মন্দলে অমসুং মোনিৱা খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা কলচরেল টিম অদু জে এন মনিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্তর উপেন্দ্রো শর্ম্মনা লুচিংখিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



নেসনেল ভোটরস দে ২০১৪ গা মরি লৈননা উৎখিবা দ্রামাগী তাঙ্কক অমা

## চেং য়েনবদা খৎন– চৈনবা থোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* য়াইস্কুল কেন্দ্রগী মনুং চনবা মোইরাংখোম কবুই খুলদা টার্গেটেদ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী খুথাংদা অহোংবা মমলদা চেং য়েনবদা এজেন্টনা শুদনা পীরে হায়বগী ৱাহৌদগী খৎন–চৈনবা থোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, এরিয়া অদুগী এজেন্টনা বি পি এল কার্দ হোল্ডর অমদা চেং বেগখায় অমা পীরুবদা অরুম্বা ওনবিয়ু হায়রুবদগী খৎন–চৈনবা অদু থোরকখিবনি। অদুবু তুংদা অনকপদা লৈবা মীওই কয়া থোরক্তুনা ভাব তানবা অমদি পুরকখ্রে হায়রি।




ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা রি–পব্লিক দে পেরদ নংনবা নুপীলাল রোদতা দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসননা গেট শেম শাবগী থবক লোইশিন্নবা হোৎনখিবা

# মীওই ৬ তা পুলিস মেদল জেল ৱার্দর ৩দা সার্ভিস মেদল পীরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* রিপব্লিক দে ২০১৪ থৌরমগা মরি লৈননা লৈপাক অসিগী পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস পীনবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট পুলিস অমসুং সি আর পি এফ অমদি অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংগী পার্সোনেল ৬২৪ খনবগী মনুংদা মনিপুরগী পুলিস পার্সোনেল ৬ য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি দি আই জি ওইরিবা ডা. সোইবম ইবোচা সিংহ, সি আই দি (এস পি)গী ইন্সপেক্তর লাইময়ুম অমরনাথ শর্ম্মা, অহানবা বট্টালিয়ান মনিপুর রাইফলসকী হবিল্ডার ক্ষেত্রিময়ুম রাজেন সিংহ, অনিশুবা মনিপুর রাইফলসকী হবিল্ডার শম্বুলাল প্রধান, সি আই দি (এস বি)গী সব–ইন্সপেক্তর কে গাংলাওনা কবুই অমসুং এস দি পি ও ফুংয়ার কে পুকেহো মাওনি।

অদুগা প্রিজন পার্সোনেলশিংদা পীবা করেকসনেল সার্ভিস মেদল এৱার্দ ফংগদবশিংগী মনুংদা মনিপুরদগী অহুমসু য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি মনিপুর সেন্ট্রেল জেল ইম্ফালগী ৱার্দর এস জয়ন্ত সিংহ অমদি এস এল হাওপু অমসুং মনিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী ৱার্দর দব্লিউ জিন মৈতৈনি হায়রি।

## জোরো কনফরেন্স সাইকুলদা পাঙথোক্কদৌরি

*ইউ এন ন্যুজ এজেন্সি*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* জো রি–ইউনিফিকেসন ওর্গনাইজেসন (জোরো) নোদর্ন জোন্না শীন্দুনা জোরো কনফরেন্স কম কোমেমোরেসন লাক্লিবা তাং ২৯ দা সদর হিলসকী মনুং চনবা সাইকুল ব্লোক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুগেদর ৱি কেন এসেন্দ হায়বা থিমদা ১২২ শুবা এনিভর্সরি ওফ দি ফোর্ট ৱিল্লিয়ম (চিন–লুসাই) কনফরেন্স ১৮৯২গী নিংশিং নুংবী মায়খুম অমসু হাংদোক্কনি। জোরো কনফরেন্স কম কোমেমোরেসন থৌরম অদুদা সাইকুল কেন্দ্রগী এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ অমদি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক কাউন্সিল সদর হিলসকী চিয়ারমেন হাওখোলাল হংশিংনা মথংশিংনা কোমেমোরেসন ষ্টোনগী মায়খুম অমদি সোভেনির ফোঙদোক্কনি।

জোরো জেনরেল হেদ ক্বাটরগী প্রসিদেন্ট আর থাংমাৱাই অমসুং জো মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা থৌরম অদুগা মরি লৈননা ৱা ঙাংগনি অমদি য়েলহৌমী জো মীয়ামগী নাৎকা মরি লৈনবা জগোই ঈশৈ কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## মনিপুর আর্মিনা তৌখিবনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৫ঃ* ঙসি অয়ুক টিদ্দিম লম্বীগী চুরাচান্দপুর য়ৌদ্রিঙৈ এস কোটলেন্দ অমসুং তোর্বুং বঙ্গলা লোন্নবা মফমদা আই ই দি বোম ফিট তৌরম্বা অদু য়ুনাইটেদ রিভোলুসন্নরি ফ্রন্ট (য়ু আর এফ)কী লান্মী মনিপুর আর্মিনা তৌখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে। লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বি এস এফকী এ কোই ৫৪ বি এলনা পোকখায়হনখিবা কে জি ২০ লুম্বা রিমোট দিভাইস বোম অদু মনিপুর আর্মিনা ইন্দিয়াগী রি পব্লিক দে ঙাক শেল্লিবা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটিদা খুৎ থানবা হোৎনখিবা থৌওংনি হায়রি।


Ministry of Information and Broadcasting
Government of India

Brick by brick We built our Nation
In partnership with each other

Collectively We put our Nation
On the path of progress and prosperity



Should We then not say that
We built India together

65th Republic Day

davp 22202/13/0101/1314



ANGELS' COACHING CENTRE [ACC]
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE CLASS II - X (BOSEM)
CBSE : REVISION COURSE, CLASS VIII TO ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS START ON 2nd JAN. 2014
OUR TOPPERS OF HSLC EXAM. 2013
1ST POSITION MIRANDA M. NIRMALABAS
3RD POSITION RATIMANJURI N. NIRMALABAS
5TH POSITION MIRANDA O. NIRMALABAS
6TH POSITION SYDENNY TH. LITTLE FLOWER
14TH POSITION VIVEK A. ST. JOSEPH
15TH POSITION REMA NAOREM NIRMALABAS
16TH POSITION SADA SALAM LITTLE FLOWER
16TH POSITION CHITRA KH. NIRMALABAS
22ND POSITION BIDYALAXMI S. LITTLE FLOWER
24TH POSITION JAYALUXMI NG. LITTLE FLOWER
24TH POSITION PRESCILA KH. NIRMALABAS
SUBJECT TOPPERS : MATHS : MIRANDA O., SYDENNY TH., REMA N., CHITRA KH., JAYALUXMI NG. ADDL. ENG. : BIDYALAXMI S.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Van Service upto 10km
Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726